ৱারী ককনাউ

# তান কাইরবা খোঙথাং

ওন্থোকপা নুমিৎ হায়বদুনি। অসিগুম্বা নুমিৎ অমা লাক্কনি হায়বসি খল্লুদে, ঙসিদি লাক্লে। ইবোচৌ অমদি ইবেনি নুংশাদা মমায়দু য়াইরগা মরু লুকথরপ তৌদুনা মঙক্তা লৈ পরেং অমমম শিরগা নীংঙমদনা ফল্লক্লিবসি ফনা কুইরে। ফমদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইবোচৌদি লৈকায়গী নহা খরগী কিন্দগী হৌরগা খোঙপাক, মদৈ হেন্দোক্তুনা শাজৈ অমসু তুম্না চাখ্রবনি। মশাসু পোপ-পোপ থাবদুদা খরসু পোপ্লবনি। মথুন লৈতানা ফমগদবদু য়ারোই হায়বদগী য়াম্না ৱানা পুঙ্খাই অমমুক ফারম্মনি নীঙ্গাংননা ফল্লিবসি। মী ময়ামদুনা কোয়শিনবনে, য়ৌ-য়ৌ ঙাঙশিল্লকপনে, তৌফম লাকফম অমত্তা খঙদ্রে, থংননা ফল্লিবা ইবেচাদু মঙোন্দা লুকথরগা মীৎচিনা ফল্লপ-ফল্লপ য়েংলকই, মানসু য়েংলুবদা হেক-হেক মীৎচানৈ, ৱাদি ঙাঙনদে।

ইবোচৌ-ইবেচা ময়ূম লোইনা পাল্লে। ময়ূম-ময়ূমদা নুপী অমদি নুপা লোইনা লৈনৈ। ইবেচাদি চহী ২ মুক্তা ঙাইরিবা মচা পিশক অমা চেল্লি। মাসু ফজরে, লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা মশম লাম-লামদনা ফোইবদা মকোক্তু চিকপনা লোইরবনি। অদুবু চিকফম খঙদ্রে, মরমদি মাগী মশমদু চোল্লপ-চোল্লপ লৈকায়গী মচিন য়াঙবী নুপী অমনা কাটি পুথোরক্তুনা ককপীখ্রবনি, লোইরে য়েংবদা অকিবা ফাওরে। মখোয়নি ফোন্দা খঙনরকপনি। ফাগি ফাগিদগী সি য়ৌখিবনি। অমসু অমসু পাখঙনি-লৈশাবীনি হায়না হায়নরগা খঙনরকপনি। ইকুই কুইদনা মখোয় অনী খঙনক নকশিন্নখিবনি। ঙসিদি মখোয় অনী উনবগী থৌরম অমা শিল্লগা নাইতোম ওইনা লাকমিন্নরগা চীংয়াগী উকু মনাক্কী অশোংবা মফমদুদা নুংশি ৱারী চিকথনরম্বদগী লৈকায়গী মীনা ফাদুনা ৱারক্লম্বনি।

ময়ামদুনা অমা চঙশিন হংই, অমা চঙশিন হংই, অথীবা ৱাহৈ, তাবদা হঙ্গোইবা ময়াম অমসু চৈবিরম্মী। ওক্তবা-ওক্তবী ফাওবা হায়বীরবনি। মখোয় অনী খুমদে, খুম্মুবদা অমুক্কা হেন্না চাদৌরিবনি। খুদৈ তাখৎলগা শেৎপা য়ু ফজনা ঙাওরবা নহা অমনা চঙশিল্লক্তুনা অথীবা ৱাহং খরা হংলরে।

“হে! নখোয় অনী হৌজিক কৈদৌসিগে, হা! পুলিস কৌরা? প্রেসমেন কৌরা? শেংনা খুম্মু, নখোয় কমাই তৌগে হায়বনো? নচিন চুমদ্রদি নোই অনীমক হাৎতোক্কনি হৌজিক?”

ইবোচৌবা অমদি ইবেচা য়েংনৈ ৱাদি হায়নদে। নুপাদুনা নোৎশিল্লগা খোন খরা কল্লপ হায়রকপদুদা ইবোচৌবনা য়াম্না নোল্লুক্না হায়জৈ,

“য়ারগদি কনামতা কৌবিগনু? ঐখোয় য়ূমদা লোইনা ফরক তানরনি। ঐখোয়বু ঙাকপীয়ু”

ইবোচৌবগী ৱাদু তাবদা ময়ামদু য়ৌ লাউনা লাউরকই। শেন্দল শৎলগা থাগে তৌবফাওবা য়াওনরে। খরা অমনবুদি অদুমাইনা তৌনু ফত্তে হায়না খাম্মী।

“করি নরমচৎতি চুমদ্রগা ঙাকপীবা হায়বদি কৈনো? নখোয় নখোয়না পোকপা নচা নশুদুনা কয়াম ফদুইনো? ময়ূমগী মী কৌ অদুনা ফরনি” ময়ামদু কন্না লাঙনরক্লে। থম্মোয়দা হুনবা মীহুন্না ধোন থিনবগুম মখোল হৌগৎলক্লবা পান্থৈ লৈজদ্রবা পোম্বী চেক্লা অনীদো ৱা খন্নরক্লে, “কমদৌসি হায়বনো?” লোন্না ঙাঙনবা ৱাদু তারমাল্লে, ঙসাইগী য়ু ঙাওবা নুপাদুনা খ্বাইদগী অহৈবা অশিংবা শাদুনা ৱায়েল্লকই।

“কমদৌবা হায়বু, হনু লমচা নঙনা নুপীসি পুরগা হৌজিকমক চৎকদবনি। অতৈ মফমদা চৎপা য়ারোই। ঐখোয় লৈকায়সিদা থৈগদবনি, অতোপ্পা মফমদা থৈনি হায়না চৎখ্রগা নয়ূম নয়ূমদা কৈমতা তৌদবা শাদুনা চঙনখিবা য়ারোই। নখোয়গী থৈফম ঐনা শিনবীনি, ঐখোয় য়ূমদা লৈগদবনি”

ৱাদু তাবদা ইবেচা ঙসাই মখৈ খাঙজিন্দুনা লৈরম্বা পিগী পল নিংখাইদুনা লেপ্পা লৈতনা শিন্থরক্তুনা মখোল থোক্লা কপখৎলকই,

“ইচা পিশক্তু কমাই তৌদুইনো? মমা লাক্তে হায়না কপ্লম্মনি”

“নচাদু কায় লৈহৌই?”

“ইপামদা”

“ইস নচানা নপামদা থৈদোক্লম্লগা, নঙনা সিদা লৈশাবী শারম্মীবা, নৱা লৌদে, নচানা নচাগী থোকপা, নঙনা নঙগী থোকপা, লাও হৌজিকমক থৈরোলাও” নাকলদা তাবা শাজৈদু পায়খৎপদুদা ইবোচৌ অমদি ইবেচা হৌগৎলকই। কপ্না-কপ্না খোঙ থাংবা হৌরকই। য়ু ঙাওবা নুপাদুনা মমাঙ ইথং থংই। মথংদা ইবোচৌ-ইবেচা মথংদা লৈকায়গী মীয়াম্না মনীংদা ইন্নদুনা ৱা-ৱা লাউ খোংদুনা লাকই। কয়াদি ফজরে, অশিবা মীগী ফোটোদা থেৎপা লংগী লৈ পরেং অমনবা অমমম শিরগা চীংয়াগী লম্বীদগী খুনগী লম্বী হাইজিল্লকপা অদুদা লাকপদুদি। য়েংবগী পেনবা নাইদে।

ওন্থোকপা হায়দু তারে তৌরিসে। ময়ামদি হরাওরি, করিগীনোদি মথোঙ-মরম খঙদনা, মসিদি মীগী হৌনশানি। মীগী অৱাবদা কৈসু থোইনা লুনা অমত্তা খন্নদে। মশা মশাদা পাল্লকান্দতা মীগী অৱাবা খঙবনি। লৈ পরেং অমমম থোন্দুনা কদাইদা চৎলিবনো খঙদনা মখোঙ থাংলিবা অনীদুগী থম্মোয়দদি করি খল্লমগদবনো হায়বা কনানা হায়বা ঙমগদগে। ধোন য়াওদ্রসু, মথম্মোয় মথম্মোয়দা হুল্লিবা মীহুলগী মখোলগী তান্থাদা মখোঙ থাংলি তান ইকায় কায়না।■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা ‘শ্রীকান্ত’ পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

*ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা*

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

অদুদগী ঐঙোন্দা অপান্না হায়রকখি, “নুমিৎ চুপ্পা ওফিসতা থবক কন্না শূমনখিদুনা নুংদাইৱাইরম হল্লকপদদি কোক ঙাওবনে, চাক লাম্বনে, চোকথবনে পুনখিদুনা ঐ পোপ তাখি। অদুননি ঐনা অদোম্না চঙলকপদা সেগা-মাইগা হায়নবা ঙমখিদবদু। মদুগীদমক ঐবু ৱারৌবীগনু, ঙাকপীয়ু, শ্রীকান্ত বাবু।”

“য়াইদা ঐ ৱারৌজদে।” ঐনা খুম্মী।

“অদোমগী য়ূমদা ঐগী লৈফম অমত্তা শীনবীবা য়াব্রা, শ্রীকান্ত বাবু?”

মাগী ৱাতাদুদা ঐ নোক্তাবা ঙমখিদ্রে। ঐনা হায়, “ঙম্মি, অদুদা- ঐগী লৈফমদুদদি তনগংগা হলৱাগদি মখোয়না পীদেনে।”

রোহিনীনা খুল্লকই, “মদুদি চাদ্রবসু য়াইদা। কনাগুম্বা অমনা চাক য়াম্না লাল্লকপদা ঈশিং গ্লাস অমগা চিনি অঙাংবা খিত্তংগা ফংলবদি শিদয়াই ফংবগা মান্নরে হায়নরিবনি। ঐগীদি অদুফাও পীবিনবা মী লৈজদ্রবনি।”

খঙনিংনা ঐনা অভয়াদা য়েংলুই। মঙক হাইরগা মানা মেঙনা-তপ্না হায়রকই, “ঐ কোক চিল্লপ তৌদুনা নুংথিল ঙাহাক তুমথোক্লুরমালে- চাক থোংবা খিত্তং থেংখি, অদুনা মাগী চাক পীবদা ঙাহাক খজিক কান্নখ্রে।”

ৱাদু তাবদা নুংঙাইমনখিদ্রদুনা ঐনা হৌরপ হায়খি, “মদুবু মীগী মরাল কৌবা য়াব্রনে?”

হায়গে মতাগুম অভয়ানা হায়রকই, “মদু য়াম্না শাথীবা মরাল অমনি, শ্রীকান্ত বাবু। মদু অদোমগীদি ওইরমদবা য়াই, অদুবু ঐবু ইবুক থাকপীরিবা, ইফি থোনবীরিবা মাগী মফমদদি অচৌবা ইরাল অমনি। পোৎশিংদুগী মানা শেল তিংলিবনিনা মানা নুংঙাই খঞ্জবা পূম্বা ঐঙোন্দগী তেংনা লৌবা কৈদৌনা য়ারোইদগে?”

শোক্লবা লিলদৌনা ফনগৎলগা রোহিনিনা খুল্লকই, “ঐনা নঙবু নবুক থাকই, নফি থোল্লী হায়না কৈদৌঙৈ হায়খিবা য়াওই?”

“মদুমক্তি হায়দে, অদুবু তৌথোরকপা মওং কয়াদুনা শেংনা অদুম তাকচৈ।”

“ঐ-নবো! ঐনা শেংনা ঊথোকপা! হা-খোয়ুমশিদবা! নকোক চিকই হায়বদু নঙনা ঐঙোন্দা খঙহনখিবা লৈব্রা?”

“করিগুম্বা ঐনা মদু হায়রল্লবসু, ঐনা হায়ববু থাজগদ্রা?”

ঐঙোন্দা ওনশিল্লগা রোহিনি বাবুনা হায়রকই, “মসিনি, মানা মতম পূম্বদা ঐঙোন্দা ঙাঙলিবা মওংসি। অদুগা ঐনা ইমুং-মনুং, ইখুঙ্গং থাদোক্তুনা লাক্লিবসি নঙগী মরমগীদমক্তনি। ঙসিদি ঐ করি ওইরেসে? কঙাওননা কোয়চৎ চৎপা, য়ূম লৈজদবা, ইরৈবাক ইরমদম লৈজদবা মী ওইরবনি। ঐসে-”

-মথং-মথং

---

মতম মতমগী ৱাফম

# নোংমাই পণ্ডিৎ, অনীশুবা নীলকান্তা অমা



Prof.N.Tombi

হিন্দু লাইনীং চৎচবশিংনা ব্রক্ষ্মবু শোন্নৈ। ব্রক্ষ্মনা, তাইবং মীওইবা ওইনা অমুক্তং পোকচগে হায়না তোপ তৌজবদা তাইবং মীওইবা মপোক্তা পোকচবা ঙমদে হায়নৈ । লাইয়ামলক্তগী ব্রক্ষ্মদি অথোয়বা অমসু ওইরিবনি। তৌগেদা ঙল্লিবা মহাক্লসু তৌবা ঙমদবসু লৈখি। ঙসি কলিগী যুগ অসিদা ঐখোয় মীওইবা মরক্তসু তৌগেদা ঙম্বা অকল অথৌ, শেন-থুম পায়রবা, লাইরিক লাইশু হৈরবা অথোয়বা মী কয়া লৈরি অদুবু ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীগুম্বা মীওই মপোক অমা ওইবদি হৌজিক্কী মীরোল অসিদা ব্রক্ষ্মনা মীওইওইপোক ওইবা ঙমদবগুম ৱারি।

ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীবু ময়াম্না ‘নোংমাই পণ্ডিৎ’ হায়না খঙনবীরি। ময়াম্না থোনবা মিংথোন নত্তে। ওঝা তোম্বী মশানা শেমজবা অনীশুবা পেন নেমনি। ওঝাগী শিনফমদগী হৌরকই, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী প্রোফেসর ওইনা থবক্তগী পোথাখি। ওঝা ওইনা ওইনা নৈনমী অমা ওইনসু ঙল্লিঙৈদগী লাকই। মতম মতমগী নৈন-ৱারেং ইরকই। খোরিরোলগী থৌ পুরকই। নাৎ অমদি খোরিরোলগী মীফম, থৌরমশিংদা মরুওইবা থৌদাং লৌরকই। ‘নোংমাই পণ্ডিৎ’ মিংথোল অসি অচম্বা অমা নৎতে। কনাগুম্বা মীওইনা মশানা মশাবু পণ্ডিৎ হায়জৈ হায়না য়ানিংদবা ফোংদোকপসু তাখি। পোক্লফম পাউচেদা নিংথৌকাবা খুদিংগী চুম্না য়েংবা নোংমাই পণ্ডিৎ হায়না মিংথোনবা কলম অমা চাং নাইনা ইবা হৌরকখি। ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীনা ঙল্লিঙৈদা অরোৎপা মিং (পেন নেম) অমা ওইনা ‘খোংনাংথাবা’ হায়না অহানবা ওইনা শীজিন্নদুনা খোল্লাও পাউচেদা ইরমখি। মতমদুদা ‘খোংনাংথাবা’ কনানো খঙনখিদে। খোল্লাও পাউচেগী ‘খোংনাংথাবা’ মমিং চৎখি । মীয়াম্না খোঙনাংথাবা মশক খঙনবা থিখি। কোন্না খঙলকখি ওঝা নোংমাইথেম তোম্বী ওইরমখি।

অঙনবা মতমদা পেন নেম ওইনা অহানবা শীজিন্নখিবা ‘খোংনাংথাবা’ অসিসু ইরায় লায়না লৌখিবা মিংথোলদি ওইরম্লোই। মণিপুরী পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা ‘লৌরেম্বম খোংনাংথাবা’ কৌবা মাইচৌ অমা লৈখি। মাইচৌ খোংনাংথাবা লৈপাক নিংথৌনা ইকায়খুম্নখিবা মীশক্কি । অশম্বদা খোংনাংথাবা হায়নসু খঙনখি। মহাক্কী লাইফাওগুম্লবা ৱাহৈ কয়া, লৈপাক্কী থৌরম থৌদাদা অফবা ফত্তবা, থোক্লগদবা, ওইরক্কদবা মরীক চুম্না হায়বা ঙম্বা মাইচৌনি। মাইচৌ অসিগী অশেংবা ‘লৌরেম্বম’ হায়বা অহানবা য়ুম্নাক্কী ৱাহৈ অসি য়াওদনা ‘খোংনাংথাবা’ হায়বসিগা মিং মান্ননা শেল্লগা লমদমসিগী নাৎ অমদি কুম্মৈ ফিয়োং কয়াগী মরমদা নৈনদুনা ইরকখি।ওঝানা শীজিন্নরিবা অহানবা পেন নেম অসি মাইচৌ খোংনাংথাবগা মপা চান্নদুনা মান্নখিবা ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা ওঝাগী ৱাখলদা মাইচৌ খোংনাংথাবগী ৱাখল্লোন লৌদুনা শেমখিবসু ওইবা য়াই চপ চাবদি ঐখোয়সু থিজিন্দ্রি। ঙসিদি খোল্লাও পাউচে লৈখিদ্রে, খোংনাংথাবা হায়বা পেন নেম অসি শীজিন্নদুনা ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীনা ইখিদ্রে । খোংনাংথাবা মাঙখ্রে । ইনৌ নৌনা ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীনা পেন নেম অমা অনীশুবা ওইনা অমুক শেমলকখি। ওঝাগী য়ুম্নাক ‘নোংমাইথেম’ অসিদগী ‘নোংমাই’ হায়বসি লৌখৎলগা খোংনাংথাবগুম্বগী করেক্টর চেনবা, মাইচৌগী ৱাখল্লোন মহুৎ শিনবা য়াবা ‘পণ্ডিৎ’ মিংথোল অসি সফিক্স ওইনা হাপ্লগা নৌনা অমুক শাফোংদুনা পেননেম অসি শীজিন্নরকপনি । পেন নেম হায়বসি অশেংবা মীশক্কী মিং লোৎনৈ । অদুবু মীয়াম্না তপ্না তপ্না অশেঙবা কনানো হায়বসিদি খঙনরকই।

কনাগুম্বনা পেন নেম শীজিন্নরিবসি অরোন অথুপ তৌবা, মশক লোৎলগা খঙহন্দনা ইবনি, পাংদবা মীরোৎনি হায়না লৌনবসু য়াওই। ওঝানা ‘নোংমাই পণ্ডিৎ’ হায়বা মিংথোল শীজিন্নরগা খোরিরোল কয়াগী চেনা হাংদোক্তুনা, জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামাগী ফিজং হাইদোক্তুনা অফ-ফত্ত, অচূম্বা অশেঙবা নৈনরিবসিদি পাংদবগী নৎত্রগা মশক লোৎপগী ৱাদি ওইরম্লোই । অতোপ্পা ওঝাগী মমি অমা থল্লগা চারা শেমজবনি। নাচোম অমনি হায়না লৌবসু য়াই। থৌনা লৈনা পণ্ডিৎ অমগুম মশক নাইখিবা মীওইশিংগী ৱারী লীথরকই। ওঝানা থেংলমদবা, য়েংশিল্লমদা হীরম অমত্তা লৈরকখিদে। ওঝাগী ৱাখল্লোন অচৌবা ঈচেল অমনি। অচৌবা শাফু কল্লবা ইচেলনা চেনশিল্লকপদা য়ৌরমদবা তোৰ্ব্বানগী মফম লৈত্তবগুম নৈনমী অমগী অনোক উপ্তুনা য়েংলকপদা হীরমশিংগী অকুপ্পা অহোবা কয়া ওঝানা উরগা ইরকখি । তুমিন্না লৈশিনবা ঙমদবদগী ফোংনা য়ানিংবা কয়া য়ানিংদবা কয়া মরিক চূম্না পাউদমখি। মসিমক্না ওঝাগী মিংথোল ‘পণ্ডিৎ’ হায়বা অসি হেন্না চুনরকখি। মাঙলমচৎতা মাইচৌ তরেৎ লৈখি। তুংদা থোক্লগদবা হায়বা ঙম্বা লাইপোক ঙাক্তনি। লমদমসিগী শক্লাইখিবা মাইচৌশিংনা থোক্লবা য়াবা ৱাফম হায়বা ঙম্মী । নোংমাই পণ্ডিৎসু লমদমসিগী মাইকৈ অয়াম্বদা হীরম কয়ামুক্তা কাচিন কোয়া য়ৌনা ৱাফম কয়া নৈনদুনা মহাক্কী অনীংবা ৱাখল্লোন পোক্লফম চোফোংদা, ‘চূম্না য়েংবা নোংমাই পণ্ডিৎ’ হায়দুনা নৈনরি। চূম্না য়েংনবা হোৎনবদা, মহাক্লা নক্লা করিগুম্বদা লাপ্না মফম হোং হোংদুনা উননবা খঙননবা হোৎনরকই।

করিগুম্বা হীরম অমদা ৱাফম খরা হায়রকপা ঙম্বা, ফোঙদোকপা ঙম্বা হায়বসি শুকখঙ খঙদবা, উদবা মী অমনা হেক্তা হায়বা ঙম্বা নত্তে। খরা হেন্না নৈনগনবা, খঙগনবা হায়বসিমসু মীপূম খুদিংমক্তা হেক্তা ওইগন্দে । পীথোকলকপা, থৱায় য়াওজবা অমদি হোৎনবা কনবা হায়বসিনা ঙমলকখিবনি। মশক নাইখিবা মাইচৌ অমদি পণ্ডিৎ অনী অসি ঐখোয়গী ওইনা তাঙ্কক অমমমগী মীরোল অমমমগী মশক অমমম্নি হায়না লৌবা য়াই। মাইচৌ হায়বসিদি লৈপাক নিংথৌনা পীখিবা মিংথোলনি। ‘নোংমাই পণ্ডিৎ’ হায়বসি কনানা পীখিবা মিংথোলনা খঙনিংনা হংনরকপসু লৈগনি। মী অমগী পূন্সিদা অকা অকূম, অফ-ফত্তা মতাং খরসু অদুম লৈনৈ। কনাগুম্বা মীশক অমা হিংলিঙৈদা খঙবীদ্রগা মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা খঙনরকপসু লৈ । মী মী অদুনা পাংথোকলম্বা হোৎনরম্বা কয়া অদুগী মতুং ইন্না মীয়াম্না নীংশিংনবনি মহাকপু শোন্নবনি। মীয়ামগী অমদি লৈপাক্কী কান্নবা খরদং ওইরবসু তৌরমদবা অমবু কনানসু নীংশিংনদে শোন্নদে । ওঝা তোম্বীদি খোংনাথাবা ওইরবসু ওইদ্রবসু, নোংমাই পণ্ডিৎ ওইরবসু ওইদ্রবসু ওঝা অমা ওইনা নৈনমী অমা ওইনা শীংথানবা য়াবা ইকায়খুম্নবদা মতীক চারবা অমদি ওইরে। অফবা ওঝা অমা ওইনা হেন্না ঐখোয়না লূম্না পঞ্জনিংঙি । খঙদববু খঙনবা তাকপীববু শম্না ওঝানি হায়না ঐখোয়না লৌনরকই। ওঝা অমা হায়বসি কদায়বু কৌগদগে ? ওঝা অমা হায়বসি হীরম খুদিংমক তাকপীবা ঙম্বা অদুরা ? হীরম খুদিংমক খঙবসি ওঝা অমগী মথৌরা হংবা তারবদি মদুগী পাউখুমদু ওঝাদা থিন্দুনা তাকচনিংঙি।

কনাগুম্বা ওঝা খরদি মহাক্না লোয়নবা মহাক্কী ছাত্র মহৈরোয় অদুদা তাকপা অতৈ মহৈরোয়না হংলুরগদি নীংথিনা তাক্তবসু লৈ। ওঝা হায়বসি মহৈরোয়না হঙ্গোইজবা কিজবা মীশক্লা ওইগদব্রা ? ৱাহংসি মখল মথেল লাকপসু য়াই। ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীদি মহৈরোই খুদিংমকপু চপ মান্নবা মিৎয়েংদা তাকপী তম্বীরি। মহৈরোইশিংবু মচা মনাওগুম্না করিগুম্বদা মমান্নবা অমগুম্নসু লোইনবী । মসি অচুম্বা ওঝা অমগী মশক্কি হায়না লৌজনিংঙি। ওঝা শীতলজিৎনসু ওঝাগা মহৈরোইগা নক্না লোয়নগদবনি হায়বীরম্মী। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা নোংমা অৱাংবা থাক্কী লমদমসিগী য়ুনিভর্সিটি অমগী ওঝা অমনা হায়খি- মহৈরোয়গা নকশিন্ননা লোয়নরোইদবনি। মখোয়দা নুংশিবা য়াদে। কিহনগদবনি, চৈগদবনি। লুনা তৌরুববদি ওঝাগী মথক কারক্কনি,ইকায়খুম্নবা মাঙলক্কনি। কয়াদা খেন্নরিবা ৱাফম্লো ? কনাগুম্বনা করিগুম্বা অমা হংলুবদা লুশিন্দনা য়াম্না লায়না খঙনবা তাকপীবা ঙম্বগী মতীক ময়াই অমা ওঝা তোম্বীগী মফমদা য়াওই। তৌবতবু হেক্তা তৌশিনবদি ওঝানা য়াজদে। মচা খায়না, হীরম অদুগী কয়াৎ পরিং কয়ামুক খায়রগা মমুৎ তানা খঙনবা হোৎননবা তাকলক্কনি। ওঝানা খঙদবা মফম ওইরগদি ওঝা মশা য়াওনা চৎমিন্নরগা ওঝানা লমজিংদুনা খঙমিন্ননবা হায়রক্কনি । হায়জিনবা, থাগৎশিন্নবসি ওঝাদা য়াওদে। নক্না তিন্নৈ খঙনৈ হায়দুনা মীচং চঙবগী ৱাফমসু লৈতে । য়ানিংদবা মফমদদি ঐগী মীগী নাইদে য়ানিংদে হায়না চপ লেপ্পী। অকী-অখঙ,ঐগী মীগী খায়দনা ওঝা অমা ওইনা,নৈনরোই অমগী মচৎতা চুম্না নৈননবা, তাক্লনবা হোৎনৈ । হান্না খৎনবা কোন্না চান্নবা হায়বা ৱাফমসিদা ওঝাগী মাইওন লেপ্পী । ওঝাদি য়ূমদা ফমদুনা লৈরগা পারা তাক্তে। চৎনা চৎনা উন্নবা মফম অমদসু ৱা অদুম খন্নবা য়াই। পোথাবা লৈতে। খোঙনদা চৎকল্লি। কার তোংদে । অচম্বা পূন্সিনি। মসি অচঙবা ওঝা অমগী মগুণ, মতীক ময়াইনি হায়না লৌজৈ।

নৈনমী অমা ওইনা নৈনরকপা মতমদা হীরম অদুবু ঙাক-শেনবা অমসু য়াওনা নৈনবা থেংনৈ । নৈনখ্রগা লেম্না তোক্তে। ৱারেপ লৌবা, ৱারোইশিন অমা থমনবা হোৎনবসি ওঝাগী অপাম্বনি। মরী মখোং তাক্লা অচূম্বা ফংনবা হোৎনৈ। করিগুম্বা থৌরম অমা পাংথোকপা মতমদা মানা মানা তৌগদবা মশীন, কয়াৎ য়াৎথোক্তুনা লায়না অমদি চেকশিন্না পাঙথোকপা ঙম্নবা পান্থৈ পুথোকপা, পোরম শিনবদা ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীগী হৈশিংবা লৈখি। ওঝা তোম্বীদি খোরিরোল (সাহিত্য) খক নৈনখিদে। লমদমসিগী নাৎকা মরী লৈনবা পোৎশক পূম্নমক্তা মীৎয়েং চঙবা ঙম্মী। ৱা তান্নবা নুংঙাই,ফজবা ৱাখল ইনোৎ পীবা ৱাফম পুথোকপসু ঙম্মী।

ওঝাগী শিনফমদা কলেজদগী হৌরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীদুনা লাকপগী শাংলবা খোঙচৎ অমা লৈরকপনা ওঝানা মহৈরোই অমদি মীয়ামবু করিগুম্বা হীরম অমা নৈনরকপদা মচা খায়না শন্দোক্লা তাপীবা ঙম্মী। শাংনা ঙাঙলবসু তানিংবা পোকহল্লি । ঙসিদগী চহী খরগী মমাংদা ওঝা অমা ওইনা নৈনরোই অমা ওইনা শক্লাইখিবা ওঝা জি সি তোংব্রা অমদি নীলকান্তা লৈরম্মী। মখোয়না মায়পুনখিবা তাঙ্কক অমা লৈখি। ওঝা অনী অমনা অমবু ৱাখল্লোন মান্নদবদগী মূক্লখিবগী ৱাফমসু ঐখোয়না থেংনখ্রে। ওঝা অনীমক মণিপুরগী তাঙলবা ক্রিটিক,স্কোলার ওইখি। মখোয়না লৈখিদ্রবা মতুংদা মখোয়গী মহুৎ শিনবা ধ্রুবতারাগুম্বা ওঝা,তাকপীবা ঙম্বা, মাইকৈ তাকপা ঙম্বা নৈনমী লৈখিদে । লৈঙাকলোন্দা নিংথৌ খুভম হাঙবা য়াদবগুম খুন্নাইসিগী নৈনমী অমা ওইনা থৌনা ফনা ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীসু মখোয়গুম্না চোংথোকলকই । ওঝা জিসি তোংব্রা অমদি ওঝা নীলকান্তদি ৱাংঙুলোন (ফিলোসোফি ) য়াওনা নৈনখি । জিসি তোংব্রা অমদি নীলকান্তা অনীগী মিৎয়েংসু মান্নখিদে। ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীগীদি মসি নত্তে । ইচম চম্না য়েংবা মীৎয়েংনি মশামক্না, ‘চূম্না য়েংবা’ হায়জরিবসি মরম অমনি।

‘চূম্না য়েংবা’ হায়জরগসু ইচম চম্না য়েংবা অমদি নৎতে মনুং হুৎনা য়েংবনি । ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীগী মিৎয়েংসি ওঝা নীলকান্তগা হাইরপ নকশিন্ননা চৎলি । ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীসি হৌজিক্কী মীরোলগী অনীশুবা নীলকান্তনি হায়না লৌবা য়াই। অনৌবা চেকশিন্না নৈনবা মী ওঝা তোম্বীগী মথংদা কনা লৈরিবগে থিরকপদা হৌজিক ফাওবগীদি ফংবা ঙমদ্রি ।

ওঝা তোম্বী লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা নৈন ৱারেং ইরি। নৈন ৱারেংদা নত্তনা লাইরিক মখল খরসু তাঙনা পুথোকখ্রে । কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনসু , লমদমসিগী ইসু কয়াদা মাঙজিল থানা শরুক য়ারি। খোরিরোল (সাহিত্যগী),ঠিয়েটরগী লীলা, ড্রামা অমদি ফিল্মগী (সংস্থান) খুৎপু কাঙলুপশিংগা তোৎন-তিন্নদুনা চৎমিন্নরি । ওঝাগী ইমুং-মনুংসু আর্টকী হৌরকফম্নি মসিমক্না ওঝানা লমদমসিগী নাৎকা মরী লৈনবশিংগী মরমদা ইরায় লায়না ৱা ঙাঙবা ঙম্মী। ওঝাগী মপোক নুমিৎ লাক্লিবা মার্চকী তাং ২২ অসিনি। ওঝাগী চহী ৭৮-শুবগী থৌরম অমা পাংথোকপগী চেপাউ ফংজখি। মালেমগী ওইরিবা অৱা অনা অসিনা পাংথোক্কদবা থৌরম লেপ্পা তারগসু ওঝাগী হকচাংগী মিহুলদি লেপ্পা য়াদবনা ওঝাগীদমক তাইবং মপুগী মফমদা নোল্লুকচরি। লেমহৌরিবা ওঝাগী পূন্সি খোঙচৎতা মায় পাকপা কয়া পুরকখিসনু। ওঝা মশানা কৎচবা মনা লাম্থোক্তুনা লমদমসিগী অইবশিংবুসু পূক্লিং থৌগৎনবা হোৎনরিবা ওঝাগী মমল য়াম্মী। ওঝানা কৎথোক্লিবা কয়া অসি অতাঙবনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী তমজনফম্নি। মতম শাংনা ঐখোয় ময়ামবু তাকপী তম্বীরমখিসনু। ওঝাগী পূন্সি ৱারীগী লাইরিক অমা চহীসিদা পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি। ওঝাগী লাইরিক অসি পুথোকলক্লগদি ওঝা নোংমাইথেম তোম্বী হেন্না মশক খঙলগনি অমদি ওঝাগী মরমদা রিছার্স স্কোলারশিংনা থিজিনজবা ঙম্লগনি। মহাক্কী মরমদা নৈনবা রিছার্চ স্কোলার থোকলক্লগনি। ঙসিগী মীরোলনা ওঝা জি সি তোংব্রাগুম্বা, ওঝা নীলকান্তগুম্বা অমদি ওঝা নোংমাইথেম তোম্বীগুম্বা খঙ হৈরবা নৈনমী কয়া থোকলক্লবা মার খোঙ্গুল লিহৌবা মতম থেঙলে। ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

# ‘শম্বল’

(হান্নগী মখা...)

মমা চঙলকপা অদু উবদা হৈবনা লতাদা হায়রক্লে -

- লতা ঐখোয় ইমা চঙলক্লে নঙ খরা থুনা অমুক্তা চঙখ্রো।

- লতা ‘হোয়’ হায়রল্লগা মখোয় ইমুংলোমদা পরপ-পরপ চঙখ্রে, থাবল্লেসু পরপ-পরপ চঙলক্লগা মচাগী মনাক্তা লেপ্লগা হায়রক্লে-

- করিগীনো ইবুংঙো নথন্তা মুরুম-মুরুম শোল্লিবা অদুদি, কনা অমত্তসু লৈবা উদে, কনাগনো নঙনা ৱারী শানরিবা অসিবো, নমান্নবা মীরক তিনবসু নত্তে, নঙসে ঙাওগদৌরবরা করিনো অমা তৌরে, নঙ অমা হায়বিদে হায়নি। নঙনা তৌরিবা অসি করিনো হায়বদু ৱাখলদু লৈতানা অমুক্তা খল্লু।

- ইমা ঐবু করি হায়খ্রবগে?

- এ... নঙনা হায়রিবশিং অদু তারল্লগদি ঐসু পাউখুম পীরকলোইদ্রা? অদুবু নঙ নথন্তা মুরুম-মুরুম শোল্লিবদু ইমানা লাপতক্লা উবদগী খঙবনি। হায়-হায় কান্নদবদা, অরেম্বদা মতম মাঙহনগনু নথৌদা মায় ওনশিল্লুকো।

- ঐখোয়গী ইমাসিমা, ঙাইহাক্তসু তুমিন লৈতবনি, মতম খুদিংমক্তা মচিন অসি প্রোপ-প্রোক শৌদুনা অদুম ঙাঙলগদবনি, য়ারে-য়ারে তোকপীরো ঐহাক ইথৌ তৌজরুরগে।

ৱাহৈশিং অসি হায়রল্লগা হৈবা মাগী কাদা চঙখ্রে। মতম খরগী মতুং নোংমগী নুংথিল অমা অঙৌ থবক অমা চৎলুগে হায়দুনা মফি-মরোল অদু তনান-তনান শেৎলগা ইমুংদগী থোরক্লম্মী। শুমাংদুদা লেপ্লগা ঙাইহাক ৱাখল তৌরুরবা মতুং ইমুংলোমদা মমায় অদু ওনশিল্লক্লগা,

- থাবলৈ, হো থাবলৈ ... ইহে মাদি দুকান্দা লৈরমগনিনে, ঐনা চৎকদবা থবক মতা অসিগা ... হুম ... ঐ গাড়ী মচাসিদা ওইনা চৎপা হায়বদুনি।

তাঞ্জা অদুদা মফি-মরোল য়াম্না নানবা মীওই খরা য়ূমলোন্নরিবা থোইবগী কোম্থোংলোমদগী শুমাং তম্না পরপ-পরপ চঙলক্লগা শুমাংদুদা ঙাইহাক লেপ্তুনা থোইববু কৌরম্মী-

- তা থোইবা, হো তা থোইবা ঐখোয় য়ৌজরক্লে।

মপান্দা কৌরক্লিবা খোঞ্জেল অদু তাবদগী থোইবা পরপ-পরপ থোরক্লগা লাক্লিবা মীওইশিং অদুদা-

- ময়াম য়ৌবিরক্লেদনা, ঐসু থবক অমত্তা চৎকে হায়না খনবনি, অদো ময়াম লাক্কনি হায়বদুদা ঐহাক য়ূমদা লেংদনা অদুম লৈজরবনি।

লাক্লিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তগী অমনা হায়রক্লে-

- তা থোইবা মতম অসিসু থেংজিনখ্রে, মন্ত্রি উনহৌদবা তারে চৎনবা তৌরসি। থোইবনসু ‘হোয় হোয় চৎলসি’ হায়রদুনা লাক্লিবা মীওইশিং অদুগা লোয়ননা থোইবা মখোয়গী কোম্থোংলোমদা থোকখিরম্মী।

ঙসাইমখৈ থোইবগী শুমাংদা মীৎয়েং থমলুরিবা অঙৌনা মথন্তা শোঞ্জরক্লে, ‘ওন্থোক্লসু হৈখরেদা... তশেংনা হৌজিক মতমদা মীৎনা উবা লাই হায়রগদি মহাক অসিনি, হোয়দা মাগী মাগী হৈজ-শিংজবা হায়বদুনি, মহাক্লা তৌরিবা থবক অসি ঐখোয়না তৌরুবা ঙমগদবা নত্তে।

-মথং-মথং

*কোংখাম চন্দ্রমনি*

---

# দত্তোপন্ত থেংগডি (শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী-১)

(হান্নগী মখা...)

মেটাফিজিসিয়ন অমসুং ভিজনরি অমসুং অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙম্বা ইকায়খুম্নরবা থেংগডিনা শেল্লম্বা থবকশিং নৌনা লৈবাক শেম্নবগীদমক অমদি মান্নবা খুন্নাই অমদা পুরক্লবা হোৎনরম্বগী তৌবিরম্বা থবকশিং তশেংনমক অচৌবা খোঙথাং অমনি। হায়রিবা ওর্গনাইজেসনশিং অসি ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা থবক তৌবত্তা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা অমদি মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগী থবক থৌরমশিংদা চাউরবা থৌদাং কয়া লৌদুনা থবক লেপ্পা লৈতনা থবক তৌরি।

মেম্বর ওফ পার্লিয়মেন্টগী মেম্বর :

দত্তোপন্ত কুমজা ১৯৬৪ দগী ১৯৭৬ ফাওবা রাজ্য সভাগী এম পী ওইরমখি। মহাক্না এম পী ওইরিঙৈদা মহাকপু ওৎপীরবা-নৈহৎপীরবা তোল-তারবা, হন্না য়েংবিদ্রবা শিন্মী-লৌমী, লায়রবা, কনা লৈজদ্রবা, অশোনবশিংগী খোলাউ ওইনা লৌনরম্মী। মহাক মনীংতম্বা খুৎলাই অমগুম্বনি। ওপোজিসনশিংনসু মহাকপু ইকায়খুম্নরম্মী। ৱাখল্লোল খেৎনরবসু মহাক্কী য়েক্লবগুম্লবা ওপোজিসনগী মীওইশিংগসু অফবা মরী লৈনৈ। মহাক ইচম চম্বা ৱর্কর অমগী প্রোব্লেমশিং য়াম্না মুন্না থৱায় তানা তারম্মী অমসুং মতেংসু পাংলম্মী। পার্লিয়মেন্টদা করিগুম্বা ৱাফম খরা থল্লবসু নত্রগা টোপিক অমদা ৱা ঙাঙবদা মেম্বর পূম্নমক্লা য়াম্না মুন্না মহাক্কী ৱা তারম্মী। মহাক টোপিক অমদা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈ মমাঙদা টোপিক অদুগী মরমদা য়াম্না মুন্না থীজিন হুমজিনবগী থবক তৌই। শিন্মী অমদি লৌমীশিংগী ৱা থাঙ্গৎপদা নত্তনা মহাক সাহিত্য, সংস্কৃতি, ইতিহাস, সাইন্স, রাজনীতি, মতম-মতমগী ওইবা মালেমগী ওইরিবা ফীভমশিং, অন্দোলনশিং, ইকনোমি অমদি সমাজিক টোপিকশিংদা য়াম্না ফজবা মওংদা অমদি ৱাহন্থোক লৈবা ভাষন পীরম্মী। মরাথী, হিন্দী, মলয়ালী, বঙ্গালী, গুজরাটী, কন্নর অমদি অঙ্গ্রেজীনচিংবা লোলশিংগী মপুং ফাবা গ্যান লৈবা মীশক অমসু ওইরম্মী।

মশাগী ওইজবা থীদবা থবক তৌবা মীশক :

দিল্লিগী মহাক্কী এম পীগী লৈফম ক্বাটরদা লৈবাক্কী মফম কয়াদগী দিল্লিদা লাকপা ৱর্করশিংগী ময়ুমগুম্না লৈহল্লি। মহাক অচৌ-অচৌবা পোলিটিসিয়ন, মন্ত্রিশিং, ফোরেন চৎপা মতমদা মফম অদুগী প্রধান মন্ত্রি অমদি অফাওবা জর্নেলিষ্টশিং, সাহিত্যকাশিং, ইন্দষ্ট্রিগী মপুশিংগা উন্নরম্মী অমদি ৱারী কয়া অমসু শারম্মী। মহাক্কী এম পীগী লৈফম ক্বাটরদা য়ৌরকপা মতমদা করিগুম্বা কাশিংদা ৱর্করশিং ফল্লম্বা অমদি তূমদুনা লৈরম্বা থেংনরবদি মহাকসু কাচিন অমদা ফক থাদুনা তুল্লম্মী। মহাক এম পী অমা ওইবগী ফঙবা তলব অমদি তোঙান-তোঙানবা এলাউয়েন্সশিং ওর্গনাইজেসনগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নরম্মী। মহাক তশেংনমক মশাগী ওইজ ওইথক থীদনা পুকচেল শেংনা লৈবাক্কীদমক থবক তৌবা মীওই অমনি।

ইমরজেন্সিগী ইতিহাসিক ওইবা মতমদা লৌখিবা থৌদাং :

জুন ১৯৭৫ দা মতম অদুগী প্রধান মন্ত্রি ইন্দিরা গান্ধীনা মশাগী অপাম্বা অমসুং মীয়ামগী হৌরক্লিবা ঈহৌশিংবু য়েংলগা ইন্দিয়া পূম্বদা ইমরজেন্সি লাউথোকখি।

-মথং-মথং

*হিন্দিদা- অমরনাথ ডোগরা, মণিপুরীদা - ডা. অহোংশাংবম সুন্দর*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।